## ৱারী মচা

# লাল

### ইমোজীৎ নিংঙোম্বম

থৌঙম্বনা থোঙদু থীল্লুরিবদু লেপ্পমখৈ লেপ্লবা মতুং কাইনথংদনি।

থোঙ কাক কাক থীল্লকপদু মতম চাদে খন্দুনা সনাহল হৌগত্তে। মপান্দগী খোঞ্জেল অমা অমুক তারকপা ঙাই। অমুক কাক কাক থীল্লকই অফিং অফাই মান্না। ফুক হৌগৎলি। কাশিং অমদি মপানগী মৈ থানগৎলগা থোঙ হাংদোক্লুই। মমাঙদা লেপ্লল্লিবা চাউ–শাংলবা, ইনখৎলক্লিবা, থৌনা লৈবা মানবা শক্তমদো উবদা হান্না উখ্রবগুম তৌরবসু নীংশিংবা ইঙম ঙমদে। থাবলগী মঙালগা ইলেক্ট্রিক মঙালগা ইয়ান য়ানশিন্নরবা মরক্তুদা সনাহল মপূক্লিং তয়াং–তশোইরকই।

থৌঙম্বগী মোং–হাদবা মতৌদুদা ৱা–লাং অমত্তা হৌদোকপা ঙমদে সনাহল। পাখৎপদুম পোক্লকই। ফিভমসিদা থৌঙম্বনা ইম্থোক্লা মোং–হাদনা হংলকই, “য়াম্বুং, ঐ মনুংদা চঙবা য়াগদ্রা?”

ইঙ্গিৎ ফংলবা তুংদা কা মনুংদা চঙশিনখ্রে। সনাহলসু মতুং ইল্লকই। হাংলিবা থোঙদু তপ্না খীংজিল্লম্মী সনাহল।

কা মনুংদা ৱাখল খরা চাউথোরকপগুম সনাহলনা তপ্না হায়রকই, “ঐবুংঙোবু উখ্রবগুম তৌরে, নীংশিংবদি থোক্ত্রে।”

“ঐ থৌঙম্বনি। য়াম্বুংনা য়াওবীরম্বা নীংতম লান্নীশিংদুগী মরক্তা অমনি ঐসু।”

সনাহল খংপ্রেক খংঙি। মখোয়গুম্বা কয়াগা লোয়নদুনা লাকখ্রবসু মাবু উবদা ঙসিদি লৈতাফম খঙদে। অমুক্কা হেন্না তানফম অসিনা মাবু চিংনবা পোকহল্লি। শিবা কিদবা মানবা নহাসিগী মমাংদা মায়োক্লনা লেপ্পা ঙমদে। মরাল লৈবগুম মশাদা ফাওজে। সনাহলগী মরাল লৈরম্বা য়াই, মদুগীদমক ফুম্বংনরকই। নহাসিগী নুংদা ওমদুনা চাক্লিবা মৈচাক্তু করি ওইরমগদগে খন্থরুবদা সনাহল মমায়দা হুমাং মরিক–মরিক কারকই। অদুবু সনাহল মাগী পূক্লিংবুসু লাকশিঞ্জে। নহাসিগী মায়থোংবু মুন্না য়েংলুরবামতুংদা হংলকই,

“ইনাউনা ইফমদগী করি মতেং পাম্মী?”

থৌঙম্বা,খুন্নুদে। হংলক্লিবা ৱাহংসিদা ৱাহং অমসুং পাউখুম অনীমক য়াওরবনি হায়না থৌঙম্বনা খল্লি। মসিদা মাগী অরোৎপা খুদিং খঙননবা থৌরাং তৌরক্লিবনি খল্লি। হংলক্লিবা ৱাহংসে থৌঙম্বা য়ানিংদে। য়ানিংদবসি করিনো অমনা তৌদুনা খঙহন্নিংই। থৌঙম্বনা মানা লীৎলকপা অচৌবা ওভরকোটতুদগী ঙসাইমখৈ হুন্নম্বা মখুত্তো লৌথোক্তুনা য়াম্না চেকশিন্না ওভরকোটতু লৌথোকই। মশাদো ইম্থোক্লা ৱাই শংজরবগুম উহল্লি। সনাহললোমদা অমুক চেকশিন্না য়েংলকই। ফিভমসিদা অমুক সনাহল মানা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম ঙাইরুদনা হায়রকই,

“পূন্সিসে নীংতম্ন হিংবা পাল্লুবনি অদুবু ইশাগী অশোনবনা নী ংতম্ন নাম্থোকচবা ঙমখিদে। ঐ অশোনবা মী ওইনিংখিদে অদুবু য়াম্না শোল্লি। নঙোন্দা ঐনা মতেং পাংগে হায়রুরিবসিমক নঙনা ঐগী অশোনবনি খল্লমগনি। ঐ ইশাবু খঙজরে, হৌজিক্তি কনাগীসু মতেং পাংবা ঙল্লরোই– ঐ য়াম্না শোল্লে।”

থৌঙম্বা মুন্না তায়। মানা পাল্লম্বদুগা তায়োন্নবা মতৌ উরকপদা মফমদুদগী মানা পাল্লম্বা পূম্নমক থাদোক্লম্লগা চৎখ্রসিরা খল্লি। অদুবু অমুকসু থাদোক্তুনা চৎখিবা ঙমদে। চপ চাবা ফিরেপ অমা ফংলগা হনখিগে খল্লি।

অথাপ্পদা হুইশিং তান্ন–তান্ননা খোংবা তারকই, অনীমক মুন্না য়েংনৈ। ৱা ঙাংনদে। অহীংসিদা সিফাই ময়াম পেত্রোলিং চৎখিবগী মখোয় য়াম্না নক্না তাই। থৌঙম্বা ফূক হৌগৎলি। নাকন্দগী ওভরকোটতু তাপ লৌখত্তুনা থোংলোমদা খোঙকাপ খরা চৎলি। মতৌদুদা সনাহলসু ফুক হৌগৎলকই। থৌঙম্ববু খাল্লগা হায়রকই।

“চৎখিনু। মদু নঙগী লম্বী নত্তে। খুদোংথীবা পুম্বা ঐগা হান্না মায়োক্লগনি। নঙগী পুন্সিদা খুদোংথীবা নংহন্নিংদে। নঙগী পুন্সিদো মমল য়াম্মী।”

অসুক শোল্লি হায়জবা সনাহলগী থম্মোয়নুংদগী থোরকপর ৱাহৈশিংদা অঙকপা মিত্রং অমা য়াওবগুম থৌঙম্বা চপ লেপ্পী। কদোমদগীনেত্তা অহেনবা থৌনা খরসু মাগী চাউ–শাংলবা মশাদা ফাওরকই। শৎ লৈশিল্লক্তু না সনাহলগী মায়থোংদা য়েংঙি। মায়থোংদো ইরং লংলম্মী। য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইরম্মী। মদু নাপল লৈজরিবনি অদুনা থাংদোক্লুরবা খোঙথাংশিং হঞ্জিল্লকই। থৌনাগা লোয়ননা হারকই, “য়েক্লবদি ঐগা হান্না মায়োক্লগনি।”

মী লাকপগী শমিন ফংবদা অনীমক মশাবু চেকশিন্না অকোয়বদা কোইলে লৈদুনা য়েংঙি। থংনবা কাদুদগী নুপী অমা চঙলকই।

চঙলক্লিবদু সনাহলগী নুপী বিমোলানি। ঙসাইমখৈ মবান্নীগী ৱারীদা কনাসু তাদে খল্লম্বনি, তমহনবসু পাল্লমদবনি। অদুনসু সনাহল ইমুংগী মীওই কনামত্তা তাক্লমদনা হৌগৎলকপনি। থাজদনা বিমোলাবু উবদা সনাহল অশাঙবা শ্বর মপী অমা হোন্দোক্তুনা মুরুম–মুরুম শোল্লকই, “নঙ ওইরে।” থৌঙম্বদা অমুক ওনশিন্দুনা হায়রকই, “ঐগী নুপীনি। নঙগীনা নতৈমা।”

মখোয়গী মরক্তা লৈনবা ইকায়খুম্নবা সনাহল কাউদ্রি। থৌঙম্বসু মদুমক উৎফম থোকই খল্লি। নোকমি–নোকমি চঙশিল্লক্লিবা মঙোন্দা মখুৎ অনী লোন্নদুনা খুরুম্বগী ইঙ্গিৎ তৌরগা মশাবু চাউথোক্লা শক্তাকচৈ। শক্তাকচবদুদা থৌঙম্বা মশাগী অচৌবা নাপল অমা য়াওরি। নাপলসি মকা ফোঙহন্দ্রবসু মাগী তৌথোরকপদা খরদি উৎথোক্লবা হোৎনরিবনি। সনাহলগী নুপীগী মমাঙসিদি অমুক্কা হেন্না উৎথোক্লবা শেম শারি।

সনাহল থৌঙম্বদা মুন্না য়েংঙি। মঙোন্দা য়েংবদা নুংঙাইবা পোকই। নুংঙাইবদুনা মশাবু অমুক হেন্না শোন্থরকই ঙসিদি। থৌনা লাকপা করিগী ঙমদ্রিবনো ভাব তাদে। বিমোলাবু য়েংলগা হায়রকই,

“বিমোলানা ঐগী পুন্সিবু অহানবদদি য়াম্না শোন্থহল্লম্মী অদুবু ঙসিদি ঐতনা শোঞ্জরে। মানদি থৌনা য়াম্না পীরে। মাগীদি থৌনা য়াম্না লৈরে। ঐদি মাগুম্না থৌনা ফবা ঙমদ্রে।”

হায়রিবশিংদো থৌঙম্বা ভাব তাবা ইঙম ঙমদে। থৌঙম্বা মশাগী উৎথোক্লুরিবা নাপলদো কান্নদবগুম খল্লকই। সনাহলনা হায়রক্লিবশিংদো মমল লৈনা লৌবা ঙমদে। বিমোলারোমদা য়েংলুই। মঙোন্দা মুন্না য়েংদুনা লৈরম্বা বিমোলা উবদা মাগী নাপলশিংদুগী মহৈনি হায়না মশানা খঞ্জে।

বিমোলাদি হান্নগী হান্না অক্মানি, থৌঙম্বনা মঙোন্দা পুক্লিং চঙলক্লে খঙবদুদা য়াম্না ইচঙ থৌনা হায়রকই।

“ইবুংঙো থৌঙম্বদি অশেংবা নীংতম লান্নীনি। মায়থোংদা অশেংবা নীংতম্বগী ঈ চেনবা উই।”

থাজদবা ৱাঙাঙদুদা থৌঙম্বা মশাবু লাকশিঞ্জবা ঙল্লক্তে। মশাদু নীক্লকই, মশাবু ফাথজদুনা হংগদবা ৱাহং করিনো খঞ্জবা ঙমদে। অদুবু অরোইবা ওইনা মখোয়গী অপাম্বা অমত্তংদি ফংহন্নবা হোৎনবা চুম্মী নীংদুনা হংলুই।

“ৱাহৈদুগী কান্নবা করিনো”

বিমোলাদি অদুক ফিংদে। মায়থোংদা চেৎনা মশাবু থাজজবগী মমিগা লোয়ননা হায়রকই,

“পাল্লিবসি পাঙ্গল থৌনা নত্তে, থম্মোয়নি। অচেৎপা থম্মোয়। মমাগী নাউয়োম্মুংদগী য়াওরক্লবা। মমাগী নীংথানা য়োমশিল্লক্লবা। ঐগী ইপুরোইবনা পাঙ্গল থৌনানা লমজিংলগা ৱাখলদা শাগৎখি নীংতম্বা। চুম্মী, মদুনা থম্মোয়দা খরমখৈ চুরম্বা য়াই অদুবু ৱাখলগা থম্মোয়গা মুক্নরকপদা ৱাখলনা হোইদুনা পুখি। ঐসু অশেংবা থম্মোয়শিংদুবু ঙাইরিবনি। ঐ ঙাইখিগনি। কনানা খঙনি ঐগী তম্পাক্তা শান্নরবসু।”

বিমোলা নুংহিক্লরক্লে। তুংশিল্লুবা থৌনানা মশাগী শীংলিপুম্বা শীন্থুংনা চেল্লকই। মশাপুম্বা তপথবা ঙল্লক্তে। মদু পূম্নমক থৌঙম্বা অমদি সনাহলনা উই।

থৌঙম্বা ৱাহং অমখক পুদুনা লাকপনি। অদুবু ৱাহং কয়াগী পাউখুম মাগী থম্মোয়দা চেনশিল্লক্লি। ঙসিদি পুন্সিনা হংদুনা লাকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম ফংবগুম মশাদু ফাওজে। মানা লৌশিং লাকপদগী হংলকপা ৱাহংশিংনা অমুক মাগী থম্মোয়দা ওৎ–নৈনরোই খল্লুবদা মহাক নুংঙাই। অঙকপা মোমোন মীনোক অমগা লোয়না য়াম্না চেকশিনবা ৱাঙাংদা হায়রকই,

“ঐ হনখ্রগে।”

সনাহল ইঙক ঙকই। খঙহৌদনা হায়রকই,

“নত্তে, নত্তে, করিগী অদুক হাথু–হাথু হনগদৌরিবনো? ঙসিদংদি ঐগীদা পোত্থাখো। নঙগী অপাম্বদুসু হায়রম্মু।”

খাম্বীনবসু লৈরে ঙসিদি। অদুবু থৌঙম্বা হনখিনবা শেম শারকই। মরেংবান্দা য়াল্লম্বা ওভরকোটতু চাউ–শাংলবা মশাদুদা ইম্থোক্লা চেকশিন্না লীৎশিন–লীৎশিন্না হায়রকই,

“ঐগী হনখিনবা মতম য়ৌরক্লে। নোংমা অমুক মফমসিদা নীংতম্বা লেপ্লবা ঙম্বগী থৌনাদু পীবিয়ু।”

কনাসু থিংবা ঙমদনা থৌঙম্বা থোরক্লে থোঙ লাউনা হাংদোক্লদুনা। থোঙদু লোলশিল্লম্মী অমুক। সনাহল অমদি বিমোলা থোঙজিন্দা লেপ্লিবদু অরোইবা ওইনা য়েংলম্মী। মখোয়দা মীনোক অমা উৎলম্লগা থৌঙম্বা থাবল ফরবা অহীং অদুদা থোরক্লে। অহীংদুদা মানা চৎকদবা লম্বীদুগী পম্বুংফম খঙডি থৌঙম্বা।

## শৈরেং

### চঙশিল্লু মাংলোমদা

–এলাংবম ধনঞ্জয়–

থম্মোয়গী ঈচেল লেপ্তুরি
ৱাখলগী পরিং তৎতরি
পুক্লিংগী আশা কায়দরি
পুন্সিগী মৈরা মুৎতরি।

অমম্বা অহিং হৌখরে
অঙানবা অয়ুক ওইরক্লে
অৱাবা মতম লোইখরে
নুংঙাইবা তাঙ্কক য়ৌরক্লে।

নিংবা কায়রনু কৈদৌঙৈ
ওইরে অফবা ক্ষেনফম
নোক্লো হরাওনা মকাফন্না
পেত্থারো ৱাদনা নিংঙাইদনা।

লমজিং মৈরানা মাংখরে,
থৌনা লিংজেলনা তুংদা ইল্লে
লৌশিং লাইজনা থক্তা চেল্লে
য়েৎথাং ওইথাংনা চুংগোই ওইরে।

চংশিল্লো অথৌবা মাংলোমদা
পম্বুং য়ৌনবা লেপ্তুনা
লাম্থোকলো অচৌবা ঈপাক
কাখৎলো অৱাংবা চীংদোল।

মিংচৎনা নঙবু ঙাইরিবনি
লনগৈনা নঙবু য়েংলিবনি
লেংদবা, নুঙাইবা অপেনবা
নংবু ওক্কনি লৈরিবনি।

তান্নবগী তৎতবা নুংঙাইবা
ফংবগী অপেনবা অথোইবা
অনৌবা পুন্সি পিবনি
থৱাইগী মঙাল হাপ্পনি।

## তাবুনুংদগী

*(মীয়ামগী লূচিংবা হিজম ইরাবতনা ইরম্বা লৈবাক নিংবগী শৈরেং “নিংথিবী ইমা মণিপুর” ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা হাপচরি)*

### নিংথিবী ইমা মণিপুর

নিংথিবী ইমা মণিপুর
নিংশিংজরী ইমাবু
তাল্লবা থাপ্লবা লমদমসিগী।
লোয়দাম থাজ য়াল্লকলে
থাদোক্লম্বা ইমাবু
কাউজদে ইমাবু নোংমতসু
নহাওইবগী অহৌবা পুন্সিদা
চুরুরে মীত্তৃ মুক্তিগী প্রেম্না

খঞ্জরুরে দেশ সেবাগী ৱাখলতবু।
অহাওবা চানিংদবা
নুংঙাইবা পামদবা
কনা লৈ তাইবংসিদা?
ইমাগী মুক্তিগীদমক্তা
খাংলি ঙসি অৱাবা কয়া
থানরি থৱাই নোক্লা নোক্লা।

**হিজম ইরাবত**

## মণিপুরী পাম্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**১৪২।অঙাংদা অহলগী কোক পানবা**
–অহলগুম্না শিংবা, হৌনা লোনচৎ খঙবা অঙাং

**১৪৩। অঙাংনা অহল শাবা**
–অঙাং মতিক নত্তনা অহলগী লীচৎ শাজৎ চৎপা

**১৪৪। অঙাংনা অঙাংগী অহলনা অহলগী**
–চহী চহীগী মতুংইন্না তৌফম থোকপা থবক।

**১৪৫।অঙাংলা অঙাং নত্ত, অহল্লা অহল নত্ত**
–অঙাং হায়বসু য়াদবা অহল কৌবসু য়াদবা, ফরক্তা লৈবা মী।

**১৪৬ অঙাং ওইরিঙৈদা নহৈ তম্মু, পাঙ্গল কল্লিঙৈ নরল তাল্লু।**
–মতম চারিঙৈদা থবক তৌরবদি অফবতা ওই।

**১৪৭।অঙাং মৱা লৌদে।**
– মীথানদবা, মানা মহেল্লে হায়বগী উশিত্তবা মওং।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কা উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ সাহিত্যগী নৈনবা ৱারেং খরা**
**অইবা ঃ অয়েকপম চন্দ্রমনি**
**ফোঙবাঃ রাইটরস বুক ষ্টোর**
**মমলঃ লুপা ১০০ /–**

অয়েকপম চন্দ্রমনিনা ইবা ‘ সাহিত্যগী নৈনবা ৱারেং খরা’ হায়বা নৈনবা ৱারেং লাইরিকসি লামায় ২২২ পাল্লি, মমলনা লুপা ১০০ পী। লাইরিক অসি অহানবা ওইনা খৃষ্টকী কুম ১৯৬৩ দা ফোঙখিবনি। ৱারেংসিদা শীজিন্নরিবা লাইরিকসিনা অহুমশুবা ইদিসন ওইনা ১৯৯৫ দা রাইটরস বুক ষ্টোর পাউনা বাজার ইম্ফালনা গেলেক্সি পিন্টর্স, কৈসামপাট, ইম্ফালদা কপি মশীং ১,০০০ নম্লগা পুথোকপা অদুদগীনি। লাইরিক অসিদা মপুং ওইনা তাঙ্কক ১২ য়াওরি, মদুদি ‘অফবা’, ‘ কলা’, ‘সাহিত্য’,‘ কবিতা’,‘ নাটক’,‘ একাঙ্কী’,‘ উপন্যাস’,‘ৱারীমচা’,‘ নিবন্ধ’, ‘ সমালোচনা’,‘ডাক্তর কমলগী মাধমী নৈনবা অমদি ’ হাপচিনবা শরুক হায়রিবশিংসিনি। অইবনা সাহিত্য হায়বসিদা মরুওইরিবা এস্থেটিক্স অমদি আটফোম অমগী মমলবু তাক্লনবা হোৎনরি। অমুকসু সাহিত্য কলাগী মপু ওইবা জোনরশিংসু লাইরিকসিদা তাঙ্কক নাইনা নৈনরি। একাদেমীক ওইবা মওংদা নৈনরোয়সিনা চঙশিন্নবা হোৎনৈ। অইবসিদা এস্থেটিক্স সেন্স লৈবতা নত্তনা একাদেমীক বেকগ্রাউণ্ডসু মতিক চানা লৈ হায়দবা ঙমদে। মলেমগী ওইনা য়ানরবা এস্থেটিক্সকী মতাংদা মরিক চুম্না নৈননবা অইবনা হোৎনৈ। কলা হায়বসিগী পান্দম অসি ‘ফজবা’ ‘অচুম্বা’ থিবনি হায়বগী ৱাখল অসি অইবনা হেন্না চেৎশিলহনবা মহাক্কী লাইরিকসিদা হোৎনৈ। ফজবা হায়বসিদা মগুণ মরি য়াওই হায়না নৈনরোয়না ফোঙদোকই। মদুদি মচাক মরী লৈনবা, মরম অমদি মহৈ হায়রিবশিংসিনি। মহাক্লা প্লেটোদগী হৌরগা মহাক্কী মতম ফাওবদা লৈরিবা আর্টকী এস্থেটিক্স নৈনবা মীশক মীওইশিংগী ৱাখল মীৎয়েংবু য়েংশিন্দুনা মহাক্কী লাইরিকসিদা পুথোক্লবা হোৎনৈ। মহাক্কী ৱাখল্লোন শাগৎপগী মপুং ওইবা য়ুম্ফমদি সংস্কৃত অমদি ইংরেজি সাহিত্যনা ওইরি। তাঙ্কক তরানিথোই য়াওবা লাইরিকসিদা সব–চেপ্টর কয়া মরুমসু য়াওরি। কলা হায়বসি ফজবা অমদি অচুম্বা থিবগী খোঙচৎ অমনি। মপাম্থোংদা উরিবা ফজবা অমদি অচুম্বনি খন্নরিবা থৌদৌশিং অসিগী মনুংদা লোৎনা থুপ্পা লৈরিবা মীয়াম্না উশিল্লুবা ঙমদ্রবা ফজবা অচুম্বা কয়াবু কলাকারনা মহাক্কী কলাগী খুৎশেমদা পুথোরকই। কলা হায়বসি মশাগী ওইবা মপুন্সি লৈজবা থৱায় পানবা শকওং অমনি হায়বসি অইবনা উৎনবা হোৎনৈ। কলাগী মপুং ওইবা মচল মঙাগী মনুং চল্লিবা সাহিত্য কলাগী মখলশিংসু নৈনরোয়না মহাক্কী লাইরিকসিদা নৈননবা হোৎনরি। সাহিত্য কলাগী মচলশিংসিগী তোঙান–তোঙানবা মখল অমদি মখোয়গী ওইবা লীক্লম অদুবুসু নৈনরোয়না উৎনবা হোৎনরি। মহাক্লা ইরিবা হীরমসিদা মশাগী ওইবা, নৈনরোয় অমগী মীৎশিং নাশিংবা অদু মপুং ফানা উবা ফংই ।মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা উপন্যাস ওইবতা নত্তনা ঙসি ফাওবগী মণিপুরী উপন্যাসকী লমসিদা থোইদোক্লা শীংথানরিবা ডাক্তর কমলগী ‘মাধবী’ উপন্যাস নৈনবগী তাঙ্কক অমা লাইরিকসিনা য়াওরিবসিসু থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমনি হায়দবা ঙমদে। নৈনরোয়না উপন্যাস অমদা য়াওগদবা মচাকশিং হায়বদি ৱারী পরীং , চরিত্র, অৱায়–অখুম মফম মতম, খুৎই অমসুং লোন অমদি পান্দম হায়রিবশিংসি তোখায় তোখায়না মচা খায়না নৈনরি। লাইরিক ইবগী মতাংদা নৈনরোয়না লাইরিক্কী ‘ৱামাঙ য়াঞ্জবা’ হায়বসিদা ইরি “ চাওখৎলবা লোল পুম্নমক্তা সাহিত্য মরমদা নৈনবা লাইরিক্লা মরাং কায়না লৈনরবা মতম অসিদা, মীতৈরোন্দদি অচম্বা মী ওইনা পাননবা সাহিত্যগী মরমদা নৈনবা লাইরিক অমা ফাওবা লৈতবা উবদা নুংঙাইজদদুনা লাইরিক মচাসি শৈদম্বা ওইবা ইজবনি।

**আর জে মীতৈ**

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***জুলাই ৩১, ২০১৬, নোংমাইজিং***

*ময়ায় লম্বী খোর্জে লূপ অশম্বীদা মালাখোল ময়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুল ইম্ফালদা “লাইলা মজনু অমসুং অতৈ ৱারী মচাশিং”(হন্দোকপা) হায়না মিংথোনবা নবকুমার নোংমৈকাপমনা ট্রান্সলেসন তৌবা ৱারী মচাগী লাইরিক অমা অমসুং “পাম্বৈ” হায়না মিংথোনবা জীটেন্দ্র উচিৱানা ইবা শৈরেং লাইরিক অনীসি ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।*

*থৌরম অসিদা প্রোফেসার নহাকপম অরুনা দেবী, হেদ, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, মণিপুরী য়ুনিভর্সিটি অমদি হৌজিক হৌজিক লৈকোলগী প্রসিডেন্টসু ওইরিবীনা অথোইবা লেঙবীরকপী, থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ, প্রসিডেন্ট মালাখোলনা থৌরমগী থৌরম মপু ওইনা লেঙশিনখি। অহানবা লাইরিক লাইলা মজনু অমসুং অতৈ ৱারী মচাশিংগী মরমদা ডা. মোইরাংথেম প্রিয়োব্রতা অমদি অনীশুবা শৈরেং লাইরিক্কী মরমদনা লাঙ্গোল ইবোয়াইমনা ৱা ঙাংখি।*

***আগষ্ট ৪, ৫ অমসুং ৬, ২০১৬, শগোলশেল, ইরাই অমসুং থাংজ***

*সাহিত্য একাদেমীনা শীন্দুনা ইন্দিয়াগী তাঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা হোং–হোংদুনা পাঙথোরকপা প্রোগ্রামগী মনুং চন্না হন্দক মণিপুরদা তাদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা লোন ২৪ দা ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংলবশিংদা প্রাইজ খুৎশিন্নবা হৌদোকপগী থৌরম অমা বিশ্বনাথ প্রসাদ টিৱারী, প্রসিডেন্ট, সাহিত্য একাদেমীনা থৌরম মপু ওইদুনা অমদি শ্রীরঘুবীর চৌধরী, ইমিনেন্ট গুজরাটকী রাইটর এন্দ ফেলো সাহিত্য একাদেমীনা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইনা লেঙশিনখি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা লোনশিংগী ট্রান্সলেটরশিংদা প্রাইজ খুৎশিন্নখি।*

*মথঙ নুমিৎ আগষ্ট ৫, ২০১৬ ইরাই নুমিত্তা ট্রান্সলেটরস মীট পাঙথোক্তুনা প্রাইজ ফংলবশিংগা লোয়ননা মহারাজা চন্দ্রকির্ত্তী ওদিটরিয়ম পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা চন্দ্রশেখর কম্বারনা থৌরম মপু ওইদুনা থৌরম পাঙথোকখি।*

*প্রাইজ ফংলবশিংদুদি – সুরেন তলুকদার(আসামিজ), মাউ দাস গুপ্তা (বেঙ্গালি),ধনশ্রীরি সৱারগিএরী (বোদো), ছত্রপাল (জে পি সরপ) (দোগ্রি), সুসিলা পুনিথা (ইংলিস), শারিফা কে বিজলিৱালা (গুজরাটি) দমোদর খাদসে (হিন্দী), না. দামোদরা সেটি (কানাদা), রতন লাল শান্ত (কাশ্মীরী), জয়মালা নরায়ন দানাইট (কোনকানি), দেবেন্দ্র ঝা (মাইথিলি), কে সি অজয়া কুমার (মালায়ালম), এন খগেন্দ্র সিংহ (মণিপুরী), বালৱন্ট বসন্ত জেউকর (মারাথি), শঙ্কর প্রধান (নেপালি), শকুন্তলা বালিএ সিংহ (ওরিয়া),বলবির পারৱানা (পঞ্জাবী) মদন সেনি (রাজস্থানি), তরাশঙ্কর শর্ম্মা (সংস্কিট) তলা তদু (সন্থালি), সরিতা দি শর্ম্মা (সিন্ধি), গোরি কিরুবনন্দন (তামিল), এল আর শ্বামি (টেলেগু), সুহেল অহমদ ফরুক (উরদু) অসিনচিংবনি।*

*মখা তারকপা হুম্নি চনবা থৌরম ওইনা বিশ্বনাথ প্রসাদ তিৱারী, প্রসিডেন্ট, সাহিত্য একাদেমীনা তোঙান তোঙানবা লোনগী ৱারী মচা পাবগী থৌরম হৌদোকখি।*

*থৌরমসিদা পঙ্কজ গোবিন্দা মেধি (আসামিজ), বিজয় বগলারি (বোদো), শীব দেব সুশিল (দোগ্রি), হরিরাম দুইবেদি (হিন্দী), এল ইবেমহল (মণিপুরী), ইন্দু প্রভা দেবী (নেপালি), য়ুমা বাসুগি (তামিল), এ এস পি এস রবী প্রকাশ (তেলেগু) না ৱারীমচাশিং মশা মশাগী লোন্দা অমদি হিন্দী অমসুং ইংলিসতা ট্রান্সলেসন তৌদুনা পাথোকখি। মথংদা কে রাধাকুমার সিংহ (আই এ এস) কমিস্নার, মণিপুর সরকারনা মোদরেটর জয়াপ্রকাশ মভিনাকুলি (কানাদা), শীলা কোলাম্বকর (কোনকানি), কে এ বিনা মালায়ালম, জি কে আইনাপুর (মারাথি) না মশা মশাগী লোন্দা অমদি ইংলিস অমসুং হিন্দীদা ট্রান্সলেট তৌদুনা ৱারী মচাশিংগী পাথোকখি।*

*অনীশুবা সেসন অয়ুক্কী পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা মাই ইন্সপাইরেসন ইন রাইটিং হায়বা হিরমসিদা হরিশ ত্রিবেদিনা চিয়ার লৌদুনা অমরমিত্র(বেঙ্গালি) মহেন্দ্র সিংহ পর্মর (গুজরাটি), শন্তোস অলেক্স (হিন্দী), এল জয়চন্দ্র সিংহ (মণিপুরী), সিটেস ত্রিপাথি (ওরিয়া)না ইংলিসতা মশা মশাগী চেশিং পাথোকখি। লোয়ননা চাকলেন মতুং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পোইসট মিট অমসু পাঙথোকখি।*

*থৌরম অসিদনা সুদিবসেননা চিয়ার লৌদুনা রহিম রহাবর (কাশ্মীর), কুমার মনিস আরবিন্দ (মৈথিলি) এন কিরন কুমার (মণিপুরী), বালজিৎ সিংহ রাইনা (পঞ্জাবী), মীথেস নির্মোহি (রাজাস্থানি), বনমালি বিশ্বাল (সংস্কির্ট), জোবা মুরমু (সন্টালি), নামদেব তরাচান্দনী (সিন্ধী),সাকিল শ্বামসি (উরদু), টেমসুলা আও না মশা মশাগী মমালোন্দা শৈরেংশিং পাথোক্লবা মতুংদা হিন্দী অমসুং ইংলিসতসু ট্রান্সলেসন তৌদুনা শৈরেংশিং পাথোক্লদুনা নুমিৎ হুম্নী চথরকপা সাহিত্য একাদেমীনা শীনবা থৌরমশিং চীংলেম্না লোইশিনখি।*

**রাজেন খুমুকচম**